# মণিপুর সরকার

**GOVERNMENT OF MANIPUR**

## SPEECH FOR

## FIRST BATCH OF SUPPLEMENTARY DEMAND FOR GRANTS 2026-27

**BY**

## SHRI Y. KHEMCHAND SINGH

**HON'BLE CHIEF MINISTER (in-charge Finance)**

## শ্রী ৱাই খেমচান্দ সিংহ
## ইকাইখুম্নজরিবা চিফ মিনিষ্টর (ইন–চার্জ ফাইনান্স) না
## ফার্ষ্ট বেটচ ওফ সপ্লিমেন্টরি ডিমাণ্ড ফোর গ্রান্টস ২০২৬–২৭কী
## থন্বীগদবা ৱারোল

**02 September, 2026**

**০২ সেপ্তেম্বর, ২০২৬**

**Speaker Sir,**

I rise to present the **1st Batch of Demands for Supplementary Grants for the year 2026–2027** before this august House.

At this juncture, I do not propose to dwell upon the overall financial position of the State or the broader state of the economy. These aspects will be discussed in detail while presenting the **Budget for the year 2027–2028 and the Revised Estimates for 2026-27**.

The 1st Batch of Supplementary Grants now sought amounts to **Rs 3,861 crore**, covering **31 Demands and 1 Appropriation**. Of this, **Rs 12 crore** is charged on the Consolidated Fund of the State, while **Rs 3,849 crore** is sought to be voted by this Hon'ble House.

I shall now briefly explain the circumstances necessitating these Supplementary Demands.

The Budget Estimates for the financial year 2026–2027 were presented before the Manipur Legislative Assembly on **9th March, 2026**, and the Appropriation Bill, 2026–2027 was passed by this august House on **17th March, 2026**, authorising gross expenditure of **Rs 31,356 crore** from the Consolidated Fund of the State.

Subsequent to the passage of the Budget, various developments and emerging requirements have necessitated additional budgetary provisions to meet expenditure arising during the course of the financial year. The additional provisions are being made keeping in view the overall resources available and the ceiling on fiscal deficit prescribed by the FRBM legislation.

The principal reasons necessitating the Supplementary Budget provision are:

**First**, additional funds are required for payment of salaries and allowances due to the recent increase in **Dearness Allowance (DA) and Dearness Relief (DR)**.

**Second**, additional provisions are required for the implementation of new and ongoing Centrally Sponsored Schemes (CSS) and other externally aided projects (EAPs).

**Third**, provision is required for the recoupment of advances drawn from the State Contingency Fund.

Further, owing to the restrictions governing re-appropriation of funds from Revenue to Capital Account and from Voted to Charged expenditure, and vice versa, certain requirements cannot be accommodated through re-appropriation within the existing provisions. It has, therefore, become necessary to seek additional authorisation through the 1st Batch of Demands for Supplementary Grants.

Let me now briefly highlight some of the key requirements for which supplementary provisions are being sought.

There is an increased provision of **₹3,439 crore** under **Centrally Sponsored Schemes (CSS), NABARD, backlog of 15$^{th}$ FC grants and Externally Aided Projects (EAPs)**, which also includes the states' matching share.

Further, consequent upon the recent increase in **Dearness Allowance (DA) and Dearness Relief (DR),** an additional provision of **₹195 crore** has been made under **Salary and Wages**.

The expenditure met out of the contingency fund amounting to ₹332 crore during the financial years 2024–25, 2025-26 and 2026–27 is also proposed to be adjusted in the supplementary demands for grants.

It is also important to note that nearly **90% of the total provisions sought under these Supplementary Demands relate to CSS, NABARD and EAPs**. This clearly reflects the State Government's continued commitment to mobilising external and centrally supported resources for the implementation of development programmes and ongoing projects.

The State Government remains committed to ensuring prudent and responsible management of public finances. All necessary measures continue to be taken to contain and control avoidable expenditure and to ensure that public resources are utilised efficiently and for priority purposes.

The additional provisions sought through these Supplementary Demands are, therefore, intended primarily to meet **minimum, critical and unavoidable requirements** arising during the course of the financial year.

With these brief observations, **Speaker Sir**, I commend the **1st Batch of Demands for Supplementary Grants for the year 2026–2027** to this August House for its **consideration and passing**.

**Thank you, Speaker Sir.**

**------------------------**

স্পীকর সার,

ঐহাক্না ঙসিগী চীং লেল্লবা হাউস অসিদা চহী ২০২৬–২০২৭কী **Demands for Supplementary Grants** কী অহানবা বেটস অসি লান্থোকচরি।

মতাং অসিদা, রাজ্য অসিগী মপূং ওইবা শেল–থুমগী ফিভম নত্ত্রগা রাজ্য অসিগী পাক–চাওবা শেল–থুমগী মশক–মওং অদু থমজররোই। মসিগী ফিভম অসি চহী ২০২৭–২০২৮গী বজেট অমদি ২০২৬–২০২৭কী রিভাইস এষ্টিমেটশিং লান্থোকচবদা কুপ্না খন্নজরগনি।

1st Batch of Supplementary Grants না হৌজিক থমজরিবা শেনফম অসি লুপা কোটি ৩,৮৬১নি। মসিনা দিমাণ্ড ৩১ অমদি এপ্রোপ্রিএসন ১ কোনশিল্লি। মসিগী মনুংদা, লুপা কোটি ১২ অমনা Consolidated Fund of the State তা চার্জ তৌবনি অমসুং লুপা কোটি ৩,৮৪৯ অমনা ওনরেবল হাউসনা ভোটেদ তৌনবা থাংগৎচবনি।

হায়রিবা সপ্লিমেন্টরি দিমাণ্ডশিং অসি মথৌ তাহল্লিবগী ফিভম অদু ঐহাক্না শন্না থমজগে।

শেনবা চহী ২০২৬–২০২৭কী বজেট এষ্টিমেটশিং অসি ২০২৬কী মার্চ ৯দা ফমখিবা মণিপুর লেজিস্লেটিভ এসেমব্লিগী মীফমদা লান্থোকচখ্রে, অমদি এপ্রোপ্রিএসন বিল, ২০২৬–২০২৭না চীং লেল্লবা হাউস অসিনা ২০২৬কী মার্চ ১৭তা পাস তৌখি। মসিদা, রাজ্যগী কোন্সোলিদেটেদ ফণ্ডদগী লুপা কোটি ৩১,৩৫৬ গ্রোস এক্সপেন্দিচর ওইনবা অয়াবা পীখি।

বজেট অসি পাস তৌখ্রবা মতুংদা, চৎলিবা শেনবা চহী অসিগী মনুংদা তোঙান–তোঙানবা চাওখৎ–থৌরাংশিং অমদি লাক্লিবা তঙাইফদবশিং অদুনা চাদিংশিং অসি মপূং ফাহনবা ঙম্নবা অহেনবা বজেটরি প্রোভিজনশিং হাপ্তবা য়ারক্তবনি। অহেনবা প্রোভিজনশিং অসি লৈজরিবা রিসোর্সশিং অমদি এফঃআরঃবিঃএম লেজিস্লেসন্না পীবা ফিস্কেল দিফিসিটকী সিলিং অদু য়েংলগা লেপ্পনি।

সপ্লিমেন্টরি বজেট প্রোভিজনশিং অসি লাকপগী মরুওইবা মরমশিং অদুদিঃ

**অহানবদা,** হন্দক **দিয়ারনেস এলাউৱেন্স অমদি দিয়ারনেস রিলিফ** হেনগৎলকপনা মরম ওইরগা তোলোপ অমদি এলাউৱেন্স পিথোক্লবা অহেনবা ফণ্ড দরকার ওইরকপা।

**অনিশুবদা,** অনৌবা অমদি হৌজিক পায়খৎলিবা সেন্ট্রেল্লি স্পোন্সর্দ স্কীমশিং অমদি অতোপ্পা এক্সটরনেল্লি এদেদ প্রোজেক্টশিং অসি পায়খৎনবা অহেনবা প্রোভিজনশিং দরকার লৈ।

**অহুমশুবদা,** ষ্টেট কন্টিনজেন্সি ফণ্ডদগী এদভান্স ওইনা লৌথোকখিবা শেনফমশিং অদু মেনখৎনবা প্রোভিজনশিং দরকার লৈ।

মখা তানা, রেভিন্যুদগী কেপিটেল একাউন্ট অমসুং ভোটেদতগী চার্জ এক্সপেন্দিচর ফণ্ডশিং রি–এপ্রোপ্রিএসন তৌবদা চৎনরিবা আইন্না অথিংবা লৈবনা মরম ওইরগা, অমদি অমদগী অমদা ওল্লকপদসু অথিংবা লৈবনা, লৈরিবা প্রোভিজনশিং অসিগী মনুংদা রিএপ্রোপ্রিএসন তৌবনা অকক্লবা তঙাইফদবশিং অদু কোকহনবা ঙম্লোইদবা লৈ। মদুনা মরম ওইরগা, অহেনবা ওথোরাইজেসন অসি 1st Batch of Demands for Supplementary Grants কী খুথাংদা থন্বা তঙাইফরক্তবনি।

সপ্লিমেন্টরি প্রোভিজনশিং অসি থাংগৎচবগী মরুওইবা তঙাইফদবশিং অদু ঐহাক্না হৌজিক শন্নপ্না থমজগে।

ষ্টেটকী চান্নবা সিয়ার য়াওনা, সেন্ট্রেল্লি স্পোন্সর্দ স্কীমশিং, নাবার্দ, ১৫শুবা ফাইনান্স কম্মিসনগী গ্রান্টশিংগী বেকলোগ অমদি এক্সটরনেল্লি এদেদ প্রোজেক্টশিংগী মখাদা লুপা কোটি ৩,৪৩৯গী হেনগৎলকপা প্রোভিজন লৈ।

মখা তানা, হন্দক্তা **Dearness Allowance (DA)** অমদি **Dearness Relief (DR)** দা হেনগৎখিবা অসিনা **Salary and Wages** গী মখাদা লুপা কোটি ১৯৫গী অহেনবা প্রোভিজন অসি শেন্বনি।

শেনবা চহী ২০২৪–২৫, ২০২৫–২৬ অমসুং ২০২৬–২৭ কী মনুংদা কন্টিনজেন্সি ফণ্ডদগী লুপা কোটি ৩৩২ তৌখিবা চাদিং অসি supplementary demands for grants তা শকচিন্নগদৌরিবনি।

মরু ওইরিবা ৱাফম অমনা, সপ্লিমেন্টরি দিমাণ্ডশিং অসিগী মনুংদা চাদা ৯০ অমদি সেন্ট্রেল্লি স্পোন্সর্দ স্কীমশিং, নাবার্দ অমসুং এক্সটরনেল্লি এদেদ প্রোজেক্টশিংগীদমক্তা থন্বনি। রাজ্য সরকারনা এক্সটরনেল অমদি সেন্ট্রেল্লি সপ্পোর্টেদ রিসোর্সশিংবু চাওখৎ থৌরাংগী প্রোগ্রামশিং অমদি হৌজিক চত্থরিবা প্রোজেক্টশিং পায়খৎনবগীদমক্তা মোবিলাইজ তৌনবা লেঙদনা লেপ্পি হায়বসি মসিনা ময়েক শেংনা তাক্লি।

রাজ্য সরকারনা পব্লিক ফাইনান্সশিং অসি হৈ–শিংনা অমদি দাইত্ব লৈনা শেন্ননবগীদমক্তা খোঙফম চেৎনা লৈরি। মরম চাদনা চাদিং তৌদনবা অমদি কন্ট্রোল তৌনবগীদমক্তা মথৌ তাবা থবকশিং পায়খৎতুনা লৈরি অমসুং পব্লিক রিসোর্সশিং অসি মশক থোক্লা শীজিন্নবা অমসুং অহান–অকোনগী মতুং ইন্না শীজিন্ননবা হোৎনরি।

সপ্লিমেন্টরি দিমাণ্ডশিং অসিগী খুত্থাংদা অহেনবা প্রোভিজনশিং থল্লিবা অসি **খ্বাইদগী য়ামদনা, মরুওইবা অমদি নাথৈবা য়ারোইদবা তঙাইফদবশিং** অদু শেনবা চহী অসিগী মনুংদা থুংহন্নবা হোৎনবনি।

তেন্তকপা ৱাফমশিং অসিগা ইরোইননা, **স্পীকর সার,** ঐহাক্না শেনবা চহী ২০২৬–২০২৭কী the **1st Batch of Demands for Supplementary Grants** অসি ঙসিগী চীং লেন্নবা হাউস অসিদা খন্নবিনবা অমদি পাস তৌবিনবা লাম্নোকচরি।

অদোমবু থাগৎচরি স্পীকর সার।